## Gas Today

**KHONGNANG GAS NINGTHOUKHONG**
Booking upto -----------**16-10-18**
Valid from ------------ 06-10-18
Stock ------------------------306
Time ------ 7.30 am to 10.30 am

**HEIROK INDANE**
Booking upto -----------**18-12-18**
Valid from ------------ 04-11-18
Stock----------------------------306
Time ------7.30 am to 11 am

**POROMPAT INDANE GAS POROMPAT**
Booking upto ----------**29-11-18**
Valid from ------------13-11-18
Stock -------------------------306
Time - 7.30 am to 10.30 am
First come first serve

**MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
Booking upto -----------**05-12-18**
Valid from------------- 03-12-18
Stock--------306(CTC & DNSC)
Time - 10 am to 1 pm

**GBD INDANE SERVICE LAMLONG**
Booking upto -----------**12-11-18**
Valid from ------------- 28-10-18
Stock -----------------612(CTC)
Time ---- 7.30 am to 11 am

**MAIBIA GAS MOIRANG**
Booking upto -----------**08-11-18**
Serial no--------------------9170
Valid from ------------- 06-11-18
Serial no--------------------8547
Stock ------------------------ 306
Time------- 7 am to 11 am

**MISAO GAS**
Booking upto -----------**12-12-18**
Valid from ------------- 12-11-18
Stock --------------------------612
19 kg --------------------------100
Time ------ 7.30 am to 10 am

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking upto ---------**06-01-19**
Valid from ----------- 27-12-18
Stock -----------------------306
Time - 7.30 am to 10.30 am

**PHOUBAKCHAO INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking upto -----------**02-01-19**
Serial no upto ------------4534
Valid from ------------ 30-12-18
Serial no---------------------4228
Stock ---------------------------306
Time - 7.30 am to 11 am

**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
Booking upto -----------**06-11-18**
Valid from ------------- 26-10-18
Stock --------------------------612
Time - 8 am to 11 am

**KK GAS**
Booking upto ----------**--20-12-18**
Valid upto ------------- 12-12-18
Stock ---------------------------306
Time ---------- 7.30 am to 11 am

**JEMON GAS CHINGAMATHAK**
Booking upto -----------**26-10-18**
Serial no-------------------33651
Valid from ------------- 17-10-18
Stock ---------------------------612
Time------- 7 am to 9.30 am

**YAIRIPOK GAS**
Booking upto -----------**02-12-18**
Valid from ------------- 28-11-18
Stock ------------------306
Time------- 7 am to 10 am

**ATHOKPAK INDANE**
Booking upto -----------**23-11-18**
Valid from ------------- 11-11-18
Stock -----------------612(CTC)
Time------- 7 am to 10 am

**MAHALAKSMI INDANE**
Booking upto -----------**06-12-18**
Serial no-----------------235648
Valid from ------------- 26-11-18
Stock ---------------------------612
Time------- 7.30 am to 12 Noon

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking upto -----------**14-11-18**
Valid from ------------- 13-11-18
Stock ------------------306
Time------- 7.30 am to 9.30 am

# 'হয়েল্লবুক ৱাত্ত–পাদবা খুঙ্গং অমা ওইনা শেমগৎমিন্নসি'

থৌবাল পাউমীদগী



থৌবাল, জানুৱারী ১০ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকি ৱাংখেম কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা হয়েল্লবুক খুঙ্গং অসি ৱাত্ত–পাদবা খুঙ্গং(মোদেল ভিল্লেজ) অমা ওইনা শেমগৎমিন্নরসি হায়না কেন্দ্র অসিগী এমএলএ কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

খাংঙবোক পার্ট ৱান জিপিগী হয়েল্লবুক ৱার্দ নং বিগী মেম্বর এমদি করিমুদ্দিন অমসুং ৱার্দ নং এগী মেম্বর এমদি হবিবুর অনীনা শীন্দুনা ঙসি খুঙ্গং অসিগী মীহুৎশিংগী অপুনবা মীফম অমা হয়েল্লবুক মথক লৈকায়দা পাঙথোক্তুনা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম অমা চৎখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এমএলএ কে মেঘচন্দ্রনা মথক্কি ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এমএলএ কে মেঘচন্দ্র, খাংঙবোক জিল্লা পরিষদকি মেম্বর কেঐচ রাজমোহোন অমসুং মণিপুর হায় কোর্টকি এদভোকেট মোহম্মদ অজমল হুসেননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱাংখেম কেন্দ্রগী এমএলএ কে মেঘচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা হায়, হয়েল্লবুক অসি ৱাত্ত–পাদবা খুঙ্গং অমা ওইনা শেমগৎপদা মীহুৎশিং খক্তনা ঙম্লোই, মীপুম খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনবা চঙই। খুঙ্গং অসিগী মীওইশিংনা রাজনিটিগী অখুবা ৱাখল্লোন থাদোক–মিন্নদুনা চাওখৎ থৌরাং তৌমিন্নসি। মীয়াম্না পুন্না থবক তৌমিন্নবগা লোয়ননা লৈঙাক্না স্কিম কয়াগী খুখাংদা পীরিবা খুদোংচাবশিংসু লৌমিন্নসি।

# 'য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমক য়োৎশিন্নবা শিল্লকপা লাল্লোংনি'

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ নৌনা লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজনসিপ এমেণ্ডমেন্টবিল, ২০১৬অসি অৱাং–নোংপোক লমদমদা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমকপু য়োৎশিন্নবা শীল্লকপা লাল্লোং অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে হায়না ইন্টর্নেসনেল সনামহিজম ষ্টুডেন্টস এসোসিয়েসন, আইএসএসএনা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

য়েলহৌ ফুরুপশিংনা ঙসি ঙসিমক থেংনরিবা, মশাগী মরমদমদা তোল্ল তারবা ওইরক্লিবা ফিবম অসিদা লৈরিবা ইণ্ডিয়া লৈঙাকনা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা লৈরি। লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজনসিপ এমেণ্ডমেন্ট বিল, ২০১৬ অসিমকসু অৱাং–নোংপোক লমদমদা ইণ্ডিয়া গবর্ণমেন্টকী মীৎয়েং ময়েক শেংনা তাক্লি। অৱাং নোংপোক মীয়াম পুম্নমক্না হৌরিবা ইহৌ অসিফাও ইণ্ডিয়া লৈঙাক অসিনা করিসু লৈতনা খল্লিবা অসিনদি লমদম অসিদা মতম কুইনদগী হৌদুনা লাক্লবা ইহৌ কয়াগী মরাইবক নুংনাংনিংঙাই ওইরি। লোয়ননা ট্রিপুরাদা বিল অসিগী মায়োক্তা ইহৌ হৌরিবা ইহৌলোইশিংদা কা হেনবা থৌওং কয়া উৎতুনা অশোক–অপন নংহনখিবা অদু হকচিন্না লৌই হায়রি।

অৱাং নোংপোক লমদম অসিগী য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংগী লৈঙাক–লোইশিংনা লুপ পুনবা পুনদবা থিদনা লমদম অদুগী মীওইশিং অদুগা খুৎশম্নদুনা নৌনা পাস তৌখিবা বিল অদুগী মায়োক্তা থৌওং কয়া উৎলকপা লেপ্পা লৈত্রি।

য়াম্না ইকায়নিংঙাই ওইরিবদি লমদম অসিগী লৈঙাক চুক্তি পায়রিবশিংনা বিল অসিগী মতাংদা করিমতা খঙদবগুম থৌশাদনা লৈরি। মসি লমদম অসিগী লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদম অসিগী ওইনা য়ামনা লাইবক থিনিঙাই অমদি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংনি।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা পিপলস প্রোটেক্সন বিল, ২০১৮ অদুনা সিটিজন এমেণ্ডমেন্ট বিল, ২০১৬ অসিবু থেংনবা ঙম্লগদ্রা হায়না চেরোল অসিনা হংলদুনা পাক্লবা ঈপাক অমদগী লেপ্তুনা চেঙ্গরকপা ঈশিংবু পল মচা মচাশিংনা কয়াম কুইনা থিংবা ঙমগনি হায়বগী ৱাহংশিং লৈঙাক্লোইশিংনা মশাদা হংজবা য়াবা ৱাহংনি হায়রি।

বিল অসিগী মায়োক্তা লৈরিবা লৈবাক মীয়াম অমদি লুপ পুম্নমক্না চঙশিল্লকপা ইহৌ খুদিংমক লুপ অসিনা হনবা লৈতনা শরুক য়াগনি অমদি অৱাং নোংপোক লমদম অসিগী মীয়াম খুদিংমক হৌদুনা পুন্না থেংনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# 'এনইগী কংগ্রেস এমপি খুদিংমক্না য়াদে'

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ পাস তৌনবা লোক সভাদা পুখৎলকপদা মহাক মশা য়াওনা নোর্থ ই ষ্টকী কংগ্রেস এমপি খুদিংমক্না বিল অসি পাস তৌদনবা লাউবগা লোয়ননা পাস তৌনবা হোৎনরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হাউসতগী মপান থোক্লকখি হায়না এমপি দাক্তর টি মৈন্যনা ফোঙদোকখ্রে।

খুম্বোং অৱাং সাবল আইদব্লিয়ুএসসিগী গ্রাউন্দদা এমপিগী লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমনা শাখিবা কম্যুনিটি হোল অমা ঙসি শঙ্গাবগী থৌরমদা এমপি দাক্তর টি মৈন্যনা হায়, বিল অসি মহাক মশামক্কী ওইনদি য়াবা শুকঙম ঙম্লোই।

দাক্তর মৈন্যনা হায়, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ অসি পাস তৌনবা পুথোরকপদা কংগ্রেসকী এমপিশিং অমদি ট্রিনামুলগী এমপিশিংনা পাস তৌবা য়ারোই, অৱাং নোংপোক লমদমদা ঙসি ঙসিমক মৈ হৌনা লাংঙি, বিল অসি পাস তৌরগদি অৱাং নোংপোক লমদমগী য়েলহৌমীশিংগী শক্তম অমদি কাংখুল মুৎখ্রগনি হায়বগী অকনবা খোঙজং লৈবনিনা পাস তৌবীগনু হায়দুনা লাউবনি।

বিল অসি খরা হেন্না কুপথনা ষ্টদি তৌনবা সেলেক্ট কম্মিটিদা থাবীয়ু হায়বনি, অদুবু থাবীদবদগী বিল অসিগী খন্নবা অমদি পাস তৌবসি বোয়কোট তৌরে হায়দুনা কংগ্রেস এমপিশিং অমদি ট্রিনামুল এমপিশিং ৱাল্ক আউট তৌখি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না থমখি।

বিল অসি লোক সভাদা পাস তৌরগা য়াবা নত্তে রাজ্য সভাদসু পাস তৌবা চঙই হায়না পল্লদুনা বিল অসি ঙরাং রাজ্য সভাদা পুথোক্কদ্রা খল্লম্বনি অদুবু পুথোকখিদ্রে, রিপব্লিক দে মতুংদা নৎত্রগা ফেব্রুৱারীদা সেসন কৌরকপা য়াই হায়নসু মহাক্না পনখি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা এক্স এমএলএ কে শরত, আইদব্লিয়ুএসসিগী প্রসিদেন্ট ও সমরেন্দ্র, য়ুরেম্বম জেদপিগী মেম্বর টিঐচ নিলমনিসু দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# কেকেএলঃ মীয়ামদা সিএমগী ফিরেপ লাউথোক্কদবনি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ অমা মীয়ামদা লাউথোক্কদবনি হায়না কংলৈপাক কনবা লুপ, কেকেএলনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাউগী মীফম অমদা কেকেএলগী জেনরেল সেক্রেটরি ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা হায়, লুপ অসিনা কয়ারক হন্না মেদিয়াগী খুখাংদা সিএবি চৎনবা য়ারোই হায়না সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখি।

অদুবু হন্দক্তা লোক সভাদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌখিবা অসিনা অৱাং নোংপোক্কী মরু ওইনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ফুরুপ অমদি মীয়াম মুখৎকদবা বিল অসিগী মায়োক্তা কেকেএলনা লকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সিএবিগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ লাউথোকপা ঙমদ্রবদি চীফ মিনিষ্টর মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি অমদি বিজেপিনসু মখোয়গী পার্টিগী ওইবা পাউখুম অমা পীগদবনি হায়নসু ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা তকশিনখি।

অৱাং নোংপোক্কী অতে ষ্টেটশিংদা এনপিপি অমসুং এনপিএফনা সিএবিগী মায়োক্তা লৈদুনা বিজেপিনা লুচিংবা লৈঙাক শৌগৎপা তোকখ্রে হায়না পল্লদুনা অদুবু মণিপুরদদি হায়রিবা পার্টিশিং করিগী তুমিন্না লৈশিল্লিবনো হায়না মহাক্না হংখি।

মখা তানা মণিপুরগী এমএলএ ৬০ অমসুং এমপি অহুম সোসিয়েল বোয়কোট তৌবগী ফিরেপ লৌরসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট প্লান শেম্নবা খঙহনখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ ষ্টেট অসিগী লোক সভা সিট অনিগী মীখল ইকুই কুইদনা পাংথোক্কদৌরিবা অসিগী শেম– শারিবশিং চীফ ইলেক্তোরেল ওফিশার, মণিপুরনা ঙসি রিভ্যু তৌখিবগা লোয়ননা মীখল অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট প্লানশিং শেম্নবা দিপ্যুটি কম্মিসন্নরশিংদা খঙহনখ্রে।

চীফ ইলেক্তোরেল ওফিশার পি কে সিংহনা প্রিসাইদ তৌরগা ঙসি অয়ুক লম্ফেলপাত্তা লৈবা সিইওগী কনফরেন্স হোলদা দিসিশিং য়াওনা মীখলগী শেম–শারিবশিং অদু রিভ্যু তৌখিবনি হায়রি। লাক্কদবা মীখল অসিদা মথৌ তৌগদৌরিবা পোল্লিং পার্টিশিংগী দাটাবেজ, গারী মশিং, সেক্যুরিতি লোয়ননা মীখল অসিগী অকুপ্পা মরোল য়াওবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন মেনেজমেন্ট প্লান মথং থাগী মঙা ফাওবগী মনুংদা শেম্নবা সিইওনা দিসিশিংদা খঙহনখি হায়রি।

ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিগী ফিভমশিং লোয়ননা শেমজিন শাজিনগদবা ওইরবদি করি করি দরকার ওইরি হায়বদু এসেস তৌনবা সিইওনা দিসিশিংদা খঙহনখি অমসুং ইরাং থোক্কনবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং মশক খঙদোক্লবগী থবকসু হৌনবা শিন্নখ্রে হায়রি।

লাক্কদবা মীখল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা ভিভিপেট শিজিন্নগদবা অসিদগী পোল্লিং পার্সোনেল অমমম হেনগৎলগা পোল্লিং পার্সোনেল ৬।৬ মথৌ তৌহনগদবনা করিগুম্বা অৱাৎপা লৈরবদি করন্না তৌগদগে হায়বগী মতাংসু খন্নখিবগা লোয়ননা চীংদা পোষ্টিং তারগা ইম্ফালদা য়ুটিলাইজ তৌরগা লৈরিবা এমপ্লোয়িশিং পোল্লিং দ্যুটি থাবগীসু খন্নখি হায়রি।

লাক্লিবা মীখল অসিদা শিজিন্নগদৌরিবা ইলেক্তোরেল ষ্টেট অসিগী এসেমব্লী কন্সটিটুয়েন্সি ৬০গী ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল হয়েং ফোংলগনিসু হায়রি।

মীখল অসিগা মরি লৈননা ইলেক্সন কম্মিসননা থা অসিগী ১১ অমসুং ১২দা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিশারশিংগী মীফম অমসু কৌখ্রে হায়রি।

নাকলঅমরোমদা লাক্কদবা মীখল অসিগা মরি লৈননা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিশারনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম অমসু থা অসিগী ১৬তা সিইওনা কৌখ্রবনি।

মীখল অসিদা অহানবা ওইনা ইলেক্সনগী মোডেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবশিং লাকশিনবা ঙম্নবা সি ভিজিল মোবাইল এপ্পস শিজিন্নগ–দৌরিবনি।

# ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ঃ মণিপুর গবর্ণমেন্টকি দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মকি পার্সোনেল দিবিজন্না ঙসি থোকখিবা ওর্ডর অমনা আইপিএস ওফিসর ২ অদুগা এমপিএস ওফিসর ৪ গী ফম নৌনা হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

জোইন্ট সেক্রেটরি দিপি, এল বিক্রমনা সাইন তৌদুনা থোকখিবা ওর্ডর অমগী মতুংইন্না পিঐচক্যুদা এট্টেছ তৌরম্বা ফৌমৈ গোংলিন, আইপিএস অমসুং ৭শুবা আইআরবিগী সিও কে চাওবা লোখো মাও, আইপিএসপু এমপিটিসি পাঙ্গেগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টরশিং ওইনা পোষ্টিং পীখ্রে।

পিঐচক্যুদা এট্টেছ তৌরম্বা টিঐচ বিক্রমজিৎ সিংহবু ইন চার্জ এসপি সিআইদি (টেক্নিকেল), ইনচার্জ এসপি সিআইদি (টেক্নিকেল) ওইরম্বা এস মেঘচন্দ্র সিংহবু ৭শুবা আইআরবিগী সিও ইন চার্জ, সস্পেন্দগী হনগৎলকপা কে অজিৎকুমার শর্ম্মবু জিরিবামগী এদিস্নেল এসপি (ওপস) লোয়ননা এদিস্নেল এসপি ট্রাফিক, ইম্ফাল ৱেষ্ট ওইরম্বা থোকচোম সঙ্কর দেবা সিংহবু ইম্ফাল ৱেষ্টকি এদিস্নেল এসপি (এদমিনিষ্ট্রেসন ) ওইনা পোষ্টিং পীখ্রে।

# 'লোক সভাদা পাস তৌখিবা লাইবক থিবনি'

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ ইণ্ডিয়াগা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অফগানিষ্টান, পাকিষ্টান অমদি বঙ্গলাদেসতগী চঙলক্তুনা লৈবা সেক্সন তরুক্কী মীতোপশিংদা চঙজফম পীদুনা ইণ্ডিয়ান সিটিজনসিপ রাইট পীদুনা মখোয়বু ইণ্ডিয়াদা লৈহনবা য়াগদৌরিবা সিটিজনসিপ এমেণ্ডমেন্ট বিল ২০১৬ অসিবু লোক সভাদা পাস তৌখিবা য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফিয়ার ওর্গনাইজেসন, এমএমডব্লিয়ুও, হেডক্কার্টরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম খুদিংমক্তা শোখনা লৈরিবা ইণ্ডিয়াদা অহেনবা মীতোপশিংবু চঞ্জফম পীদুনা ইণ্ডিয়া মচা অমনা ফংলিবা চপ চানা হকশিং ফংহনবা হায়বসি ইণ্ডিয়ান সিটিজনশিংদা হেন্না অৱাবা হাপকৎপা ওইনা থোক্কনি। সিটিজনসিপ এমেণ্ডমেন্ট বিল অসিনা মীশিং য়ামজদবা চাওখৎপগী থাক নেল্লিবা ইণ্ডিয়াগী নোর্ঠ ইষ্ট রিজনদা লৈরিবা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমদা আইডেন্টিটি ক্রাইসিস থোকপা খক্তা নত্তনা সোসিয়েল্লি অমসুং ইকোনোমিকেল্লি অচৌবা চৈথেং পীকগদবতা নত্তনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং মুৎখিবা য়াবগী তাঙ্কক্লি হায়বা এমএমডব্লিয়ুওনা লৌদবা ঙমদে হায়রি।

নিংশিংবা য়াই, লমদম অসিদা সিওএস কয়াগী লিচিং মখাদা মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্না লমদম অসিদা মরম চাদনা মীতোপশিং চংজফম পীবা য়ারোই হায়না ড্রাইব কয়া চত্তুনা, ইহৌ কয়া হৌদুনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনগদবনি হায়বা খোল্লাও কয়া লাউদুনা লাক্লি। লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী শক্তম কঞ্জনবা হায়দুনা মণিপুর এসেমব্লি ফাওবদা মরম চাদনা মীতোপ চঙলকপা থিংনবা বিল পাস তৌখিবা লৈরে হায়বা ৱাফমসু থম্লক্লি।

বিল অসিগী মায়োক্তা এমএমডব্লিয়ুওনা মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈ। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাংলুপ খুদিংমক্কসু বিল অসিগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্ননবা খোঙজং চঙশিনবগী মতম য়ৌরে হায়রি।

## এন.এফ. রেলৱেদা ফুল টাইম কন্ট্রেক্ট বেসিসতা মেদিকেল প্রাক্টিসনরগী ফম লৌনবা "ৱাল্ক ইন" ইন্টরভিয়ু

**ইন্টরভিয়ুগী তারিখ :** ২১–০১–২০১৯ **মতম :** পূং ১০:৩০
**মফম :** সিএমএস/ন্যু টিনসুকিয়া (ন্যু টিনসুকিয়া হোস্পিটাল) গী ওফিস, এন.এফ. রেলৱে, টিনসুকিয়া। **পোষ্ট মশীং :** ০৩ (অহুম) কন্ট্রেক্ট মেদিকল প্রাক্টিসনর (ফুল টাইম)। (কম্যুনিটিগী ওইনা খাইদোকপা : য়ুআর =নিল, এসসি = ০১, এসটি = নিল, ওবিসি = ০২)
**ষ্টেসনগী মমিং:–**

| সে. | হোস্পিটাল/ঐচয়ুগী মমিং | পোষ্ট মশীং | দিসিপ্লিন |
|---|---|---|---|
| ১ | ন্যু টিনসুকিয়া রেলৱে হোস্পিটাল | ০১ | ফুল টাইম |
| ২ | দিব্রুগড় টাউন হেল্‌ঠ য়ুনিট | ০১ | ফুল টাইম |
| ৩ | সিমলগুরি হেল্‌ঠ য়ুনিট | ০১ | ফুল টাইম |

**টর্মর্স অমসুং কন্দিসনশিংঃ**

**১.** এপোইন্টমেন্টকি মতম অসি পার্ট টাইম কন্ট্রেক্ট বেসিসতা চহি অমদগী হেন্দবা নত্ত্রগা য়ুপিএসসিনা খনবা দাক্তরনা মহূৎ শিন্দি ফাওবগী, অনীসিগী মনূংদা অঙনবা অমা ওইগনি। এদমিনিষ্ট্রেটিবকি ওইবা ইন্টরেষ্টতা মহাকপু টিনসুকিয়া দিবিজনগী ষ্টেসন অমদা হেক্তা ট্রান্সফর তৌবা য়াই।
**২.** কন্ট্রেক্ট অদু নাকন অনীমক্তগী মরম অমতা পীদনা নুমিৎ ১৫ নিগী মতম পীরগা কেন্সেল তৌবা য়াগনি নত্ত্রগনা করিগুম্বা কন্ট্রেক্ট মেদিকেল প্রাক্টিসনর অদুনা মেন্টেল্লি/ফিজিকেল্লি মশা য়াদবা তারবদি।
**৩.** কন্ট্রেক্ট এপোইন্টমেন্ট অসিদা পোষ্ট অসিদা রেগুলরাইজেসন তৌবা নত্ত্রগা এবজোর্ব তৌবগী হক অমতা লৈরোই।
**৪.** সিএমপিশিং এঙ্গেজ তৌবগী এন্নুয়েল টর্মগী মশীং চহি চহিগী বেসিসতা টর্ম ১০দগী ১২ দা হেনগৎখ্রে নত্ত্রগনা মশাগী চহি ৬০ শুদ্রিফাওবা, মসিদা অহানবা অদু লৌগনি অমদি এঙ্গেজমেন্টকি টর্ম চহি অমদগী হেল্লোই।
**৫.** কেন্দিদেটকি চহি **০১–০১–২০১৯** দা মশাগী চহি ৫০ দগী হেল্লোইদবনি।
**৬.** কন্ট্রেক্ট মেদিকেল প্রাক্টিসনর অদুনা সেন্ট্রেল/ষ্টেট গবর্ণমেন্টকি গেজেট্টেদ ওফিসার অনীদগী মশাগী কেরেক্টর অমসুং এন্টিসিদেন্ট সর্টিফিকেটশিং পুথোক্কদবনি।
**৭.** এদুকেসনেল/টেক্নিকেল ক্কালিফিকেসন – **জেনরেল দ্যুটি :** কেন্দিদেট অদু এমবিবিএস দিগ্রী পায়বা অমসুং ইন্দিয়ান মেদিকেল কাউন্সিলদা রেজিষ্টার তৌবা ওইগদবনি।
**৮.** থা থাগী ফী:– এ) **জেনরেল দ্যুটিগী** (ফুল টাইম) **: লুপা ৭৫,০০০/–** (থাদা)
**৯.** ইন্দিয়ান রেলৱেদা টর্ম ১২ রক হান্নবা এঙ্গেজ তৌরবা দাক্তরশিংদি এপ্লাই তৌবগী মথৌ তাদে।

মসিবু পাম্বা ইলিজিবল ওইবা কেন্দিদেটশিংনা সর্টিফিকেটশিং/টেষ্টিমোনিয়েলশিংগী ওরিজিনেল অমসুং এটেচ তৌবা ট্রু কোপিশাং অমসুং পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ অনীগা লোয়ননা **"ৱাল্ক ইন"** ইন্টরভিয়ুগী **২১–০১–২০১৯** গী পূং **১০:৩০** সিএমএস/ন্যু টিনসুকিয়া (ন্যু টিনসুকিয়া হোস্পিটাল) গী ওফিস, এন.এফ. রেলৱে, টিনসুকিয়া দা রিপোর্ট তৌগদবনি। করিগুম্বা অরানবা ৱাফমশিং/শাজিন্নবা একাদমিক সর্টিফিকেটশিং/টেষ্টিমোনিয়েলনচিংবা শীজিন্নরম্বা তারবদি চৎনরিবা গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী লোগী মখাদা কেন্দিদেট অদুগী মথক্তা থবক লৌখৎকনি।

**দিবিজনেল রেলৱে মেনেজর (পি), টিনসুকিয়া**
**NORTHEAST FRONTIER RAILWAY**
"Serving Customers With A Smile"


INSTITUTE OF COMPETITIVE EXAMINATIONS
Keishampat Junction-795001
ICE Building, 3rd Floor, Near Yummy Land
ICE
- 9856902608
- 8414813197
Pliz. Contact ICE-Office between 7-4.pm Except Holiday
Course in Ethics
(No. of Classes 30) Class Starts: 14th Jan. '19
Time: 9.00-10.30 am & 3.00 -4.30 pm
Course in (No. of Classes 30)
World History & Art and Culture
Time: 7.30 -9.00 am Class Starts: 23rd Jan. '19
Revision Course for Public Admn.
Time: 3.00-4.45 pm
Class Starts: 23rd Jan. '19
Crash Course in MPSC - Prelims.
Time: 7.15-9.15 am & 2.30-4.30pm
Class Starts: 14th Jan. '19
Test Series (along with explanations)
G.S Mains - on Every Tuesday Time: 7.00-9.00 am
Public Admn.- on Every Thursday Time: 3.00-5.00 pm
Test Series For Prelims (Paper I & II) - on Every Wed. & Sat. Time: 9.00-11.30am or 2.30 -5.00 pm
Last Date of Regd: 16th Jan'19
TSE/2375-8E+M...

PHY-CHEM TUTORIALS
KEISHAMPAT HODAM LEIRAK, OPP. OIL PUMP
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
FOR CLASS - XI & XII
Limited Seats
Subject Offer : PHYSICS, CHEMISTRY MATHEMATICS & BIOLOGY
Contact Nos. : 8787779505 9774268129
Class commencing from : 28th March, 2019
Last date of admission : 20th March, 2019
Class timing : 4.30 p.m. to 7.50 p.m.
Seperate Hostel facilities for both Boys & Girls
For more details,
pliz visit PHY-CHEM Tutorials in between 4.30 pm to 7.15pm
TSE/2386-9M...

AVAILABLE ALL KINDS OF USED CARS





Address: Changangei Awang Leikai, Opposite Imphal Int'l Airport, Imphal West, Manipur-795140
Contact No : 8259054531 Office hour : 9am to 5pm (Sunday Close)
TSE/8045-11,13M

R.M. SCHOOL
Govt. recognised under the aegis of
RM Boarding CTH since 2000
Kwakeithel Heinoukhongnembi
IMPHAL WEST
WANTED TEACHERS
Wanted young and dynamic, energetic teachers for the following post
a. For Class (V-X):- Maths, Hr. Maths, Home Science, Biology, English, Computer Science, Civics & Eco, Geography
b. For Class (II-V):- Meitei Mayek, Science, Maths, English.
c. Nursery trained teachers.
d. PET Teachers one Male & Female specially train in Martial Arts (Karate, Thang -Ta)
e. Male Warden-2
f. Chowkidar-1
TSE/2194-16M
INTERESTED PERSON MAY CONTACT ALONG WITH COMPLETE BIO-DATA DURING OFFICE HOURS : 10am. to 2pm.
Interview will start form the date of Advertisement.

ADMISSION OPEN FOR JANUARY AND FEBRUARY 2019 SESSIONS
. 3 months intensed practical learning.
. Dedicated Job Assistance.
. World class curriculum
. Well maintained and sophisticated lab.
>>Both hardware and software with latest tools >> Flashing
>>Circuit tracing >> Troubleshooting , etc.
Call: 7005638121/ 7085566216
IKoSC amplifying human potential
INTELLISOME KNOWLEDGE AND SKILLS CENTRE
3rd Floor, Tanushree Building, Opp. Heecham Yaicham Pat, Yaiskul Moirangkhom, Imphal West
TSE/7986-9,10,11M

New Admissions Open:
APEX INSTITUTE MANIPUR (AIM)
New Admissions Open:
GENERAL FOUNDATION COURSE
(For Banking/ SSC/ CDS/CAPF/FCI etc
Morning: 6:30 - 9:00 AM
Evening: 2:45 - 5:15 PM
Starting 7th Jan
NDA - I Exam 2019
Morning: 6:30 - 8:30 AM
Evening: 3:30 - 5:30 PM
Starting 7th Jan
MPSC Civil Services- GS Prelims
Crash Course
Timing: 6:30 - 10:30 AM & 2:00 to 6:00 PM
➤ By a Team of UPSC/MPSC Main &Interview Faced Educators
➤ Library Facility
➤ Individual Guidance
➤ Covering all Static and Current Topics
➤ Regular Mock Tests
Starting 10th Jan
Special Concession for SC/ST and Meritorious Students
TSE/D-6,8....E+M
Kangabam Leirak Machin , Behind Bheigo Hotel, Imphal 9612224777

PHYSICS & BIOLOGY TODAY
Excelling in Medical Entrance Exam
ADMISSION OPEN
3 months Career Boosting Course For NEET (UG) - 2019
Class commence : 17th January, 2019
(Individual Subject Available)
TSE/2106-1E..
PHYSICS
KH. NARA (M.Sc Physics, Delhi University)
Former Lecturer, HRD Academy Ghari
15 Yrs Experienced in shortcut technique in Solving problems
BIOLOGY
SH. DHANESHWOR (M.Sc Life Sciences, MU)
Specialisation : GENETICS
Writer: 1. Today's Biology for NEET (UG)
2. M.Sc. Entrance Exam Preparatory Series
Special features : 1. Exam mode : i) ONLINE & ii) OFFLINE
2. Updated Study Materials 100% based on NCERT
For more details pliz contact : Tutors
PCM TUTORIALS Building Keishampat Keisham Leikai Near Manipur Rural Bank